# হেপাটাইটিসতা মীৎয়েং অমা

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

## হেপাটাইটিস হায়বা অসি করিনো?

হেপাটাইটিস হায়বা অসি লিভর হায়বদি ফিরাক্তা পোমখৎলকপা নৎত্রগা চাউথোকপা হায়বনি। ভাইরস মহীকশিংনা হেপাটাইটিস থোকহনবা ঙম্মী। ময়াই কাবা চিঙাক, হীদাক (ডোক্টরনা লায়েংবগী ইরকপা হীদাকশিং য়াওনা) নৎত্রগা হু চেনবা পোৎশকশিংনসু হেপাটাইটিস থোকহনবা য়াই। মসিদ নত্তনা মাইকোবেক্টিরিয়ম অভিয়ম কমপ্লেক্স (এমএসি, ফেক্ট সীট ৫১৪ য়েংবীয়ু) নৎত্রগা সাইটোমেগালোভাইরস (সিএমভি, ফেক্ট সীট ৫০৪ নৈনবীয়ু) নচিংবা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা নারকপা লায়নাশিং হায়বদি ওপোরচুনিষ্টিক ইনফেক্সনশিং অসিনসু থোকহনবা ঙম্মী।

হেপাটাইটিস হায়বা অসি য়াম্না তোয়না থোক্কনবা লায়নানি। হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল য়াম্না কনবা মীওইশিংদসু শোকহনবা ঙম্মী। মসিনা লিভরবু য়াম্না শাথীবা মওংদা সিরোসিস (স্কারিং) থোকহনবা অমসুং মসিগী মতুংদা লিভরবু থবক শুকতৌ তৌহন্দবা ঙম্মী। মসিদি মীওই অদুগী পন্সি মাঙগল্লি।

হেপাটাইটিসকি অনাবা মখল অয়াম্বনা লায়েংনদে। মসি মীওই অদুনা নারে খঙদবা নৎত্রগা অরায়বা লোক লাইহৌগুম্বা ওইরম্বা য়াই হায়না খনবদগীনি। খ্বাইদগী তোয়না থোক্কনবা লাইওংশিংদি চানীংবা ৰাৎলকপা, সদৌ থোংবা, লাইহৌ, হকচাং চীকপা নাবা, কোক ঙাওবা, ওগনবা অমসুং পুক নাবনি। মীওই খরদি হক্কি ঈশিং মুশিল্লকপা, অমাঙবগী মচু য়াম্না পাথরকপা অমসুং উনশা নৎত্রগা মীৎ হঙ্গামপাল চঙলকপা (জোন্দিস) য়াওই।

অদোমগী লিভর অদু মথৌ নীংথিনা তৌরি হায়বা খঙনবগীদমক অদোমগী লায়েংবীরিবা মীওই অদুদা অদোমগী ঈগী চাংয়েং তৌহনগদবনি। হায়রিবা লিভর ফঙ্কসন টেষ্টিং অসিনা বিলিরুবিন, AST অমসুং ALT (SGOT অমসুং SGPT) নচিংবা কেমিকেল কয়াগী চাং ওল্লি। হায়রিবশিং অসিগী চাং ৰাংলবদি হেপাটাইটিসকি খুদম অমনি। লিভর ফঙ্কসন টেষ্ট অসিগী অহেনবা ৰারোলগীদমক ফেক্ট সীট ১২২ নৈনবীয়ু। ঈগী চাংয়েং তৌবনা হেপাটাইটিস থোকহনবা ভাইরসশিংবু খঙদোকপা ঙম্মী। ঐচআইভি পোজিটিব ওইবা মীওই পুম্নমকনা হেপাটাইটিসকি চাংয়েং তৌথোক্কদবনি। অদোম হেপাটাইটিসনা নারবদি অদোমগী লিভর অদু শোকচিল্লব্রা য়েংনবগীদমক লায়েং পীবিরিবশিংনা বাইওপসি অমা তৌনবা হায়রকপা য়াই। হায়রিবা চাংয়েং অসিদা য়েৎতুমনা লিভরগী মচেৎ অমা লৌথোক্লগা ইনফেক্সনশিং অমসুং স্কেরিং হায়বদি সিরোসিসকি খুদমশিং য়েংগনি।

## ভাইরেল হেপাটাইটিস

বৈজ্ঞানিকশিংনা হেপাটাইটিস থোকহনবা ঙম্বা ভাইরস মখল ৬ মশক খঙলে। মখোয় অসি হেপাটাইটিস এ, বি, সি, ডি অমসুং ই ভাইরস নৎত্রগা ঐচএভি, ঐচবিভি অসিনচিংবা খঙনৈ। হেপাটাইটিসকি চাদা ৯০দি এ, বি নৎত্রগা সিনা থোকহল্লি।

ভাইরেল হেপাটাইটিস অসি এক্যুট ওইনা নৎত্রগা ক্রোনিক হায়বদি কুম পুদুনা নাগল্লি। এক্যুট হায়বনা হেপাটাইটিস নাবগী হপ্তা খরা নৎত্রগা থাশিং অদুনি। চয়োল কয়াদি অদুম নাদুনা লৈগনি। ক্রোনিক হেপাটাইটিস হায়বা অসিনা লিভর অদু থা তরুক নৎত্রগা হেন্না নারবা হায়বনি। ক্রোনিক হেপাটাইটিসতি হকচাংগী মনুংদা লৈ। ফিভম অসিদা অদোম্না অতোপ্পা মী অতৈদা অনাবা অসি শন্দোকপা য়াই অমসুং অদোমদা লায়না অসি অমুক হিংগৎলকপা য়াই।

হেপাটাইটিস এ অমসুং ই অনিমক এক্যুট ওইবা লায়না ঙাক্তনি। অমাংবগা হকচাংগা শম্নরুবা নৎত্রগা অমোৎপা য়াওবা ঈশিং নৎত্রগনা কনাগুম্বা মহীক পল্লবা মখুৎ অদুনা পায়বা চিঞাক্তা শম্নরুবদগী শন্দোকই। হায়রিবা অনি অসিদি ক্রোনিক ওইনা হায়বদি কুম পুদুনা নাদে।

হেপাটাইটিস বি নৎত্রগা ঐচবিভি হায়বসিনা খ্বাইদগী তোয়না থোক্কনবা মখলনি। মসি মমাদগী অঙাংদা, হকতিন্নবদা নৎত্রগা মহীক য়াওরবা ঈগা শম্নরুবদগী শন্দোরকপা য়াই। পৃথিবীগী ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ১০ দি ঐচবিভিনা শোকহল্লি। ঐচআইভিগা লোয়নরিবা মীওইশিংদি ঐচবিভি অসি কুম পুদুনা নাবা য়াই। ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা হেপাটাইটিস বি অসি হেন্না শাথী। অদুবু ৩টিসি, টেনোফোভির, এমট্রিসিতাবিননচিংবা ঐচআইভিগী হীদাক খরনা ঐচআইভি অমসুং ঐচবিভি অসি থেংনবা ঙম্মী। অহেনবা ৰারোলগীদমক http://treatmentactiongroup.org/uploadedfiles/projects/Hepatitis C-HIV/HBV Guide09.pdf তা পীরিবা ট্রিটমেন্ট এক্সন গ্রুপ’স গাইড টু হেপাটাইটিস বি নৈনবীয়ু।

হেপাটাইটিস সি নৎত্রগা ঐচসিভি অসি ঈগা শম্নরুবা মরুওইনা য়েৎতুম অমসুং অতোপ্পা হীদাক কাপ্পবগী খুৎলাই ৰাইনবদগী শন্দোকই। য়াম্না তোয়না থোক্ক্রবসু, মীওই খরা মরুওইনা ঐচআইভি পোজিটিব ওইরবা এমএসএম শিংদি হায়রিবা মহীক অসি চেকশিন্দবা মওংদা হকতিন্নরুবদগী লৌনরকই। ঐচসিভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ৭৫ দগী ৮৫ দি কুম পুদুনা নাগল্লি। হেপাটাইটিস সি অসি লাইওং অমত্তা উথোক্তনা নাগল্লি। অদুবু নারবা মীওইশিংগী চাদা ২০ দি য়াম্না শাথিবা মওংদা লিভর শোকচিল্লকপা য়াই। ঐচআইভিনা হেপাটাইটিস সি অসি হেন্না শোকচিনহল্লি। হেপাটাইটিস সি অমসুং ঐচআইভিগী মতাংদা

# হেপাটাইটিসতা মীৎয়েং অমা



অহেনবা ৱারোলগীদমক ফেক্ট সীট ৫০৭ নৈনবীয়ু।

হেপাটাইটিস ডি হায়বা অসি হেপাটাইটিস বিনা নারবা মীওইশিংদদা উৎথোরকই। টাইপ বিনা নারবা মীওইদগী টাইপ ডি নাবশিংনা হেন্না মশা শোকচিল্লি।

ভাইরেল হেপাটাইটিস ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী অফবা পান্থৈদি লু–নানবা অমসুং ঈগা শম্নরুদবা অসিনি। অতোপ্পা মীওই অমনা মহীক অসিনা নাহল্লে হায়বসি লায়না খঙবা ঙমদে। কোন্দোম শিজিন্নবনা হেপাটাইটিস বি অমসুং সি শন্দোরকপা থিংবা ঙম্মী। মহীক অসিনা চঙলকপা য়াবা ফিভম লৈরুরবসু হায়রিবা হেপাটাইটিস এ অমসুং বি দগী ঙাকথোক্নবা টিকা কয়ামরুম লৈ। অদুবু মসিগী টিকা অসি সিডি৪ কাউন্ট ৩৫০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদদি কান্নদে।

হেপাটাইটিস এ অমসুং ই গী লায়েংনবা পান্থৈ অমত্তা লৈতে। মখোয় অসি চয়োল খরা নারবা য়াই। পেগিলেটেদ ইন্টরফিরোন অমসুং ঐচআইভি লায়েংবদা শিজিন্নবা হীদাক মখল অহুম – লামিভুদিন (৩টিসি), টেনোফোভির (টিডিএফ) অমদি ইমট্রিসিটেবাইন (এফটিসি)না হেপাটাইটিস বি অমসুং ডি লায়েংবদা শিজিন্নৈ। এদেফোভির দিপিভোক্সিল (হেপসারা) হায়বা অসি হেপাটাইটিস বি লায়েংনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সেপ্টেম্বর ২০০২ দা অয়াবা পীখ্রে। টেনোফোভির অসি ২০০৮ গী আগষ্টতা হেপাটিটিস লায়েংনবা অয়াবা পীখ্রে। মসিনা হেন্না ফবা লায়েং হীদাক ওইরি।

ফেক্ট সীট ৫০৭ তা হেপাটাইটিস সি লায়েংনবা হীদাক মখলশিংগী মতাঙদা অহেনবা ৱারোল য়াওরি। ঐচসিভি লায়েংনবা হীদাক কয়া শেমগৎতুনা লৈরে।

হেপাটাইটিসকি অতোপ্পা মখলশিং

য়ু, ময়াই কাবা নিশা অমসুং হু চেনবা পোৎশকশিংনা থোকহনবা হেপাটাইটিস মখলশিংগী লাইওংগা ভাইরেল হেপাটাইটিসকি লাইওংগা মানৈ। হায়রিবা লায়না মখল অসিদদি, লিভর অদু ভাইরস মহীক অমনা শোকহনবা নত্তে। লিভরগী মথৌদি ঈদা য়াওরকপা পোৎশক কয়াবু থুগায়দুনা পীকথহনবনি। অদুনা মাগী মথৌ অসি মথক্তা পল্লিবা পোৎশকশিং অসি য়াওরবদি পোৎলুম হেনগৎলক্কনি। এইডস অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লায়না কয়া লায়েংনবা শিজিন্নরিবা হীদাকশিংনসু হেপাটাইটিস থোকহনবা য়াই। য়াম্না তোয়না শিজিন্নরিবা পেনকিল্লর, এসিটামিনোফেন (টাইলেনোল) অসিনসু হেপাটিটিস থোকহনবা য়াই।

লিভরবু শোকহল্লিবা য়ু নৎত্রগা ময়াই কাবা নিশাশিং অসি শিজিন্নবা তোকপনা হায়রিবা হেপাটাইটিস মখলশিং অসিগী খ্বাইদগী ফবা লায়েংনি।

করিগুম্বা লিভর অদু এইডসকা মরী লৈননা ওইরকপা তাঞ্জা য়েংদুনা চঙশিল্লকখিবা লায়না (ওপোরচুনিষ্টিক ইনফেক্সন)না থোকহনবা ওইরবদি, মসিগী অচেংবা য়েংদুনা চঙলক্লিবা লায়না অসি হান্না ফহনবা দরকার লৈ। মসিনা লিভরবু ফগৎচরক্নবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

লায়েংবদা থেংনবা নুংঙাইতবশিং :

চারিবা হীদাকশিং অসিবু থুগায়বা নৎত্রগা পিকথহন্নবগীদমক লিভর অসি মথৌ ফজনা তৌবা দরকার ওই। অদোমগী লিভর ফরিবঁদা করিসু তৌদনা চাখিবা হীদাকশিং অদু হেপাটাইটিসনা নারবা মতমদদি অদোমবু য়াম্না নুংঙাইহল্লক্কবা য়াই। হায়রিবা অসি য়ু, এসপিরিন, মনা মশীং অমসুং ঙাইহাক নুংঙাইনবগী শিজিন্নবা নিশাশিংগী মতাঙদসু অচুম্বনি। অদোমনা চারিবা হীদাক নৎত্রগা হকচাং ফগৎনবা শিজিন্নরিবা অচাপোৎশিং অদুগী মরমদা লায়েং পীবিরিবা মীওই অদু মরীক চুম্না খঙহনবীগদবনি।

হেপাটাইটিস লয়েংনবগীদমক শিজিন্নরিবা হীদাকশিংঅদুগা ঐচআইভি। এইডস লায়েংনবা থারিবা এন্টি রেট্রোভাইরেল হীদাকশিংগা মসেল মগুন হন্থহন্নরকপা য়াই। অদোমগী লায়েংবীরিবা মীওই অদুনা করম করম্না হীদাকশিং চামিন্নবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবীগদবনি।

মনা মশীং মখল অনিদি হেপাটাইটিসকি মখল খুদিংমক্তা শিজিন্নবদা কান্নবা উৎলি। মখোয় অদুদি গুলি ওইনা নৎত্রগা চা ওইনা ফুৎলগা থকপা য়াবা মাধুকা (গ্লাইকোরিজা গ্লাব্রা) অমসুং শুগায়রগা নৎত্রগা চা ওইনা থকপা য়াবা মিল্ক থিসটল (খোমথোকপি) হায়না খঙনবা সিলিবিয়ম মারিয়ানমনি। অদুবু মখোয় অসি হীদাক ওইনা শিজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা অদোমবু লায়েংবীরিবা মীওই নৎত্রগা মনা মশীংগী লমদা য়াম্না খঙ হৈরবা মীওই অমগা তানবীয়ু।

***Reviewed Aurust 5, 2010***